## Part – IV / ভাগ – IV
## Language – I / ভাষা – I
## MANIPURI / মণিপুরী

কেন্দিদেতশিংনা **Manipuri Language-I** লৌরবদি পার্ট-**IV** গী ৱাহং **(91-120)** ফাওবগী পাউখুম পিনবা হোৎনগদবনি।

দিরেক্সন: মখাদা পীরিবা ৱারেং অসি মুন্না পারগা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী খ্বাইদগী চান্নবা পাউখুম পীয়ু।
**(ৱাহং 91- 99)**

সবত্রাইব খর লৈ। ত্রাইবশিং অসিগী তোপ তোপ্পা জগোই ঈশৈ লৈ। নুপীনা শেৎলিবা ফিসু মনিপুরী নুপীগী ফনেক্কুম্বনি মদুবু গালে কৌই। গালেগী মওং মতৌ তোঙান-তোঙানবা লৈ তাং ৫।৭।২০০৪ ইংদা ঐনা আলোংগী হেন্দলুম হেন্দিক্রাফত সেন্তরদা চৎপদা লোয়শঙদুগী ফিশাবীশিংগা উনদুনা ৱারী-ৱাতায় কয়া শারকই। অরুনাচল প্রদেশতা তোঙান তোঙানবা লোল ৬০ লৈরবসু হিন্দিনা ফাওনলোন ওই। মসিনা মফম অসিদা লোলগী খুদোংচাদবা লৈতে। অরুনাচল প্রদেশকী নুপীশিংগী থাক খঙনিংবদগী ঐনা জারজুম ইতেগা উনদুনা ৱারী শারকই। ঐনা মাগা খৃ: ২০০০ দা হায়দ্রাবাদতা শক খঙনরকখিবনি। হৌজিক মহাক অরুনাচল প্রদেশকী ৱুমেন কমিসনগী চেয়র পারসন ওইদে। "য়োমগোং কোলিং" কৌবা চয়োলগী চেফোঙগী এদিতর ওইরিবী হোকসুম ওরীগদি মাগী ময়ুমদা চৎতুনা ৱারী শানরুই। ইং ২০০১ গী মীকোক থিবগী মতুং ইন্না অরুনাচল প্রদেশকী নুপী লাইরিক হৈবগী চাং অসি ৫৯.৭০% নি। মখোয়গী লাইনিংদি নুমিৎপু পুজা তৌবা নীংজবা কাংবুনি। চহী অমগী মনুংদা মে থাদা নোংমতং পুজা-লংজা পাঙথোকই। লমকোয়বনা ইমোসনেল ইন্তিগ্রেসন পুরকই হায়বসি অচুম্বনি। লম্বী চৎপদা অৱাবা খুদোংথিবা থেংনরবসু ঐনা শিয়াং শিপুবুদি শুককাউ কাউবা ঙল্লরোই। অরুনাচল প্রদেশ অসি অহানবদদি নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্টিয়ার এজেন্সি (নেফা) হায়না খৃষ্ট কুম ১৯৭২ দা ভারতকী ২৫ শুবা ষ্টেট অমা ওইরকখিবদগীনি। ইম্ফালদগী অরুনাচল প্রদেশ পংলাপ লাপ্পবা নত্তে। দিল্লী মুম্বাইগুম্মা লম্বী ফরবদি পুং খরদতা য়ৌবা ঙমগনি। ভারতকী অৱাং নোংপোক লমদমশিংদি চীংগী চীং ঙাক্তা, লোকচপকী লোকচপ ঙাক্তা। লম্বী ফত্তে নোং য়াম্না তাই। চীং তোয়না নিংখায়দুনা লম অমগা অমগা মতম শাংনা পাও ফাওনদদুনা লৈ।

অরুনাচল প্রদেশ য়ৌরবদা শিয়াং শিপু তুরেলগী তোব্বান্দা লেপ্পুনা মতিক মঙাল লৈরবা ঈচেলদুবু উরুবদি ইশানা ইশাবু কাউথোক্লুই। শিয়াং মাবু উবদা ঐগী পূক্লিংসি অমুক পুমনৌ নৌহনখি। শিয়াং লিপুনা লমদমদুদা থোইদোকপা খুদোল তম্বদি উদে। লমদমদুগী মীশিংনদি শিয়াংবু য়োমগোওসু কৌই। চীংগী লমদমদা চেনবা তুরেলগী হৌনশা ঈচেলদু য়াম্না কল্লি অদুবু উহে ৱাহে থাবদি উদে। অরুনাচল প্রদেশতা ত্রাইব ১১০ না খুন্দাদুনা লৈ। খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা কাঙলুপতি আদিনিনি, মথংদা মেম্বানি।

**91.** আরুনাচল প্রদেশতা ত্রাইব মখল কয়ামুক্কা খুন্দাদুনা লৈবগে ?

(1) ১১০ রোম।

(2) ১২০ রোম।

(3) ১৪০ রোম।

(4) ১৫০ রোম।

শৈরেং অসি পারগা মখাদা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম পীয়ু ( ৱাহং **100 - 105)**

তাইবং লোক্কী লোক্লুংদা
মমল থম্মোয় লাকানুংদা
লৈদো তাদুনা মনি মুক্তাদো।

শুক্ল সমুদ্র লৈখাদা
লুর লাইজ ইরোন্নুংদা
তৈরি লৈখোম হি-য়াই পুন্বদো।

সনা মনি খোনবশিংনা
হেরা মনি লেন্বশিংনা
লৌরুই মাবু নিংথিজনা
লৈতেং পোৎশক ওইহল্লি মীওইবগী।

**100.** সমুদ্রগী লৈখা ইরোন্নুংদা করি লোৎতুনা লৈবগে ?

(1) সনা-লুপা

(2) ফোশিল ময়াম

(3) অচৌবা নুঙজাও কয়া

(4) হি-য়াই কয়া

**101.** মীওইবগী লৈতেংগী পোৎশক করিনা ওইবগে ?

(1) সনা-লুপানা

(2) বুদ্ধি-লৌশিংনা

(3) অফবা থবক শুবনা

(4) ফত্তবা ৱাখলনা

**102.** শুক্ল সমুদ্র লৈখাদা
লুর লাইজ ইরোন্নুংদা
তৈরি লৈখোম হি-য়াই পুন্বদো।
শৈরেং মতেক অসিনা ফোংদোক্লিংলিবসি করিনো ?

(1) মমল য়াম্বা পোৎ থিবদা ৱায়।

(2) মমল য়াম্বা পোৎতি লাইনা ফংদে।

(3) সমুদ্রদা কুল্লগা থিগদবনি।

(4) খুল্লগা মীওইবগী লৈতেং শাগদবনি।

**103.** মথক্তা পীরিবা শৈরেং অসিগী মনুংদা 'দা' অমসুং 'দো' না লোম্বা পরেং কয়া য়াওবগে ?

(1) অমা অনি

(2) মরি অমা

(3) অহুম মঙা

(4) মরী অনি

**104.** 'হি-য়াই' ৱাহৈ অসি-

(1) নাউননি

(2) এজজেক্টিভনি।

(3) কম্পাউন্দনি।

(4) প্রনাউন্নি।

**105.** তাইবংগী অমম্বা থম্মোয়গী লকানুংদা করি তাদুনা লৈগে ?

(1) হি-য়াই

(2) মনি-মুক্তা

(3) সনা-লুপা

(4) অমম্বা-ফত্তবা ৱাখল

106. শৈরেং তন্বীবদা মখাগীশিংসিদগী করম্বনা খ্বাইদগী মরু ওইবগে ?

(1) শৈরেং খুদিংমক্কী মশাগী অকক্লবা ৱাহন্থোক লৈ।

(2) শৈরেংশিংগী ৱাহন্থোকসি অমদগী হেন্না লৈ।

(3) শৈরেংদা খুনাইগী ইহৌগী মমি তাদে।

(4) শৈরেংদা পুক্লিংগী ইহুলগী মমি তাদে।

107. রিপোর্ট ইন্নবা তন্বীবদা ওজানা পাউচেদা ফোংবা রিপোর্টশিংদু ককলগা মহৈরোইশিংদা য়েন্থোকই। মহাক্লা মহৈরোইশিংদা রিপোর্টতু পারগা মখোয়গী ওইবা মিৎয়েং পিয়ু হায়। ওজানা শিজিন্নরিবা পাউচেগী অককপা মচেৎসি-

(1) তন্বীবগী মতেংনি (teaching aid)

(2) তম্বগী মতেংনি (learning aid)

(3) তন্বীবা অমসুং তম্বগী মচাকশিংনি।

(4) তন্বীবগী মতন্বী অমসুং মওং-মতৌনি।

108. ইন্দিয়াদা লোনগী ফেমিলি কয়া লৈবগে ?

(1) মরি

(2) তরুক

(3) নিপান

(4) তরা

109. লোনগী ক্লাসরুমদা মখাগী লোন তন্বীবগী মতন্বীশিংসিদগী মমালোন য়াওন্দবদু করম্বনো ?

(1) ডাইরেক্ত মেথদ

(2) ওডিওলিঙ্গ্যাল মেথদ

(3) ইমরসন মেথদ

(4) নাচুরেল মেথদ

110. লোন তন্বীবা মতমদা ওজানা সাইন্স অমসুং সোসিয়েল সাইন্সতগী খুদম পি। মসিগী মতন্বীসি-

(1) সাইন্স অমসুং লোন তন্বীবনি।

(2) করিক্যুলম অতৈ তম্বদা লোন য়াওই।

(3) তোতেল ফিজিকেল এপ্রোচনি।

(4) কম্যুনিকেটিভ ল্যাঙ্গেজ টিচিং এপ্রোচনি।

**111.** কোগনিট্রিভ মিৎয়েংদা লোন তম্বীবনা য়েংলিবসি-

(1) অরানবা হায়বসি লোন তম্বগী মনুংদা য়াওজরকপনি।

(2) হৈনবী শেমলকপদা লোন তম্বগী মতেং ওই।

(3) ওজাশিংনা চিনফা পুবা অমদি হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়বদা পূকনিং থৌগৎপিগদবনি।

(4) অরান্ব শিংসি খুদক্তা চুমথোক্কদবনি নত্রবদি মখোয়গী ৱাখলদা অরানবশিংদু অদুম লৈখিগনি।

**112.** ওজানা ফজনা তৌবা ঙমদবা মহৈরোইশিংগী মরম খংদোক্লবা চাংয়েং অমা শেম্মী। মদুগী চাংয়েংদু-

(1) প্রোফিসিয়েন্সি চাংয়েংনি।

(2) ডাইগনোস্টিক চাংয়েংনি।

(3) এচিভমেন্ট চাংয়েংনি।

(4) সমেটিভ চাংয়েংনি।

**113.** ক্লাস VI কী ওজা অমনা লোনগী চাংয়েংগী চে য়েংলবা মতুংদা মহৈরোইশিংনা ফজনা তৌদ্রে হায়বসি খংলে। মহাক্না অতোপ্পা চাংয়েং অমা অমুক তৌই। মসিগী চাংয়েংসি-

(1) ফোর্মেটিভ চাংয়েংনি।

(2) সম্মেটিভ চাংয়েংনি।

(3) ডাইগনোস্টিক চাংয়েংনি।

(4) কম্যুলেটিভ চাংয়েংনি।

**114.** ওজা অমনা ক্লাসতা চাংয়েং অমা তৌরবা মতুংদা মহাক্কী ডাইরিদা অসুম্না ই॥ মহৈরোইশিংনা লেঙ্গোইজ গেমসি য়াম্না পাম্মী অমসুং নুংঙাইনা শরুক য়াই অদুবু মখোয়না হোৎনরবসু অপাম্বা ফলদুদি ফংদে। মসিগী খুদমসি মাগী -

(1) খংব্রা য়েংবগী (assessment) মওংনি।

(2) মশাগী হান্নগী খংবদু (anecdotal) য়েংবনি।

(3) তৌখিবা চাংয়েংদু ৱাখল মুন্না থাদরগা য়েংবনি।

(4) য়েংবনি (observation) ।

**115.** লোনগী অফবা ওজা অমনা-

(1) তম্নবা লাইরিক্তা পিরিবা ৱাহংশিংদুগী পাওখুমদু লোইনা অঙাংশিংদা তমহনলি।

(2) তম্লিবা লাইরিকশিং অমসুং অতোপ্পশিংদু পাহনগনি।

(3) তম্লিবা লাইরিক্তদা য়াওবা ৱাহংশিংদমক শেম-শাগনি।

(4) তম্লিবা লাইরিক্তু নত্তবা অমত্তা পারোই।

**116.** মখাগীশিংসিদগী করম্বনা লোন তম্বগী খ্বাইদগী মরু ওইবগে ?

(1) তম্নবা লাইরিক (Text book)

(2) অৱাৎপা মেনখৎনবা লাইরিকশিং

(3) অঙাংগী লাইরিকশিং, (Children literature)

(4) ঔরাইনবা চেশিং (activity sheets)

**117.** মখাগীশিংসিদগী করম্বনা মহৈরোইশিং ৱাখল অনৌবা পুথোকপা ঙমহনবগে ?

(1) পরিক্ষাদা মার্ক ফংনবা তোঙান্না তাকপনি।

(2) মখোয়না খংজবগী মতুংইন্না ইবগী খুদোংচাবা পিবিবনি।

(3) মহৈরোইশিংদা থকশি-খাসি য়াওবা ৱারি ইয়ু হায়বনি

(4) তম্বদা অপান্বা ওইংগদবদু মহৈরোইদা পুথোকউ হায়বনি।

**118.** লোন্দা **"Mind mapping"** হায়বসি

(1) পূক্লিংগী লাই অমা য়েকপদুনি।

(2) ৱারিদা নত্রগা শৈরেংদা খন্নবদু লাই ওইনা য়েকথোকপনি।

(3) খুদোংথিনিঙাই ওইবা খোঙচৎ অমগী থবক-থওং শেম শাবদু মহৈরোইশিংদা থাগৎলকউ হায়বনি।

(4) মহৈরোইশিংবু অনৌবা ৱাখলশিং শাগৎহল্লগা ৱাখলশিংদুগী মরিশিং পুথোক্লবা খংহনবনি।

**119.** ইবগী হৈশিংবদা **(writing skill)** খ্বাইগী মরু ওইরিবসি করিনো ?

(1) খুই ফজনা ইবনি।

(2) অচুম্বা বনান শিজিন্নবনি।

(3) মীনা হায়রগা অমসুং তৌগদবা অমদি তৌরোইদবা তাকপগী মতুংইন্না ইবদুনি।

(4) নশাগী মিৎয়েং**,** ৱাখল্লোন অমদি নশানা তৌরুবদগী খংলকপশিংদু ইবদুনি।

**120.** পাবদা নুংঙাইবগী পাবা অমসুং অতৈ ময়াম পাবা হেনগৎহনবগী হৈশিংবসি-

(1) অকক্নবা খরদা মমুৎ তানা পাবনি।

(2) পাকশন্না পাবনি।

(3) চাওরাক্না পারগা মরুওইবা ৱাখল খংদোকপনি।

(4) পারবা মতুংদা নংগী ৱাখল ফোংদোকপনি।

**Part – V / ভাগ – V**
**Language – II / ভাষা – II**
**MANIPURI / মণিপুরী**

কেন্দিদেতশিংনা **Language-II** মণিপুরী (**Manipuri**) লৌরবদি পার্ট-**IV** (**Part-V**) দগী ৱাহং **(121-150)** ফাওবগী ৱাহংশিংগী পাউখুম পিনবা হোৎনগদবনি।

**দিরেক্সন :-** পীরিবা ৱারেং অসি পারগা মখাদা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী চানবা পাউখুম পীয়ু **(ৱাহং 121-128)**

পৃথিবীদা খ্বাইদগী চাউখৎলন্বা লৈবাকশিংগী মনুংদা গ্রীসসু অমনি। ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা গ্রীকশিংনা পূক্লিংগী চাউখৎপদা নৎতনা হকচাং ফবা অমসুং তীক তীক লাউনা নাদ য়েক্তনা লৈবা হায়বসি য়াম্না পাম্নরম্মী। ওলিম্পিক হায়বসি গ্রীস লৈবাক্কী অচৌবা চীংশাং পরেংগী মমিংনি। মীয়াম্না খঙনবা হৌখিবা মমাংঙৈগী অহানবা ওলিম্পিক শান্নবা অসি খৃষ্ট মমাঙ ৭৭৬ তা ওলিম্পিয়াদা চাউনা হৌখিবগী ইতিহাসতা ফংঙি। অশেংবা মন্দির অমসুং উমং মচা মচাশিংনা লৈতেংবা লৈতেম মান্নবা তম্পাক লমদম অমনি গ্রীক্কী চাউথোকচনিংঙাই ওইবা লম ওলিম্পিয়া। ওলিম্পিয়াদা জিউস লাইরেম্বগী মন্দির লৈ। জিউস লাইরেম্বদা ইকাইখুম্নবা উৎপগী উৎসব ওইনা ইহান হানবা ওলিম্পিক গেমসকী হৱাও-কুম্মৈ হৌদোকখি। চাং নাইনা চহী মরী মরী লৈরগা পাঙথোকপগী মওংবু ওলিম্পিয়াদ চহী কৌনৈ। ওলিম্পিক্কী অহানবা মায় পাকপদা চোর্ফোন মনাগী লুহুম উপ্লিখি। খৃষ্ট মমাঙ চহী ৭৭৬ তগী হৌরদুনা চহী মরি কান্নরগা মথঙশিংনা চখুরকপনা খৃষ্ট মতুং চহী ৩০৪ ফাওবা পাঙথোকখি। চহী অসিদা রোমগী নিংথৌ থিওদোসিয়স ডি গ্রেটনা গ্রীকশিংগী নিংথৌরেল ওইখি। মহাক্না পাল্লকপদগী গেমস অসি তৌবদা লন থুম পৈশা মরাং কায়না চঙমল্লি হায়বদগী মশান্ন অসি থিংজিনখি। থিংজিনদ্রিঙৈগী মমাঙদদি ওলিম্পিক্কী শান্নবা হৌগদবা থা খর মাঙওইননা পাউখোল্লোই কয়া গ্রীস শীনবা থুংনা থাদোক্তুনা নুংশিননা লৈমিন্নবগী পাউজেল থাদোকই। ওলিম্পিক শান্নবনা লমজীং ওইদুনা মচেৎ মচেৎ তারল্লবা লান্থীনরবা গ্রীসকী লৈবাক মচাশিংদু নুংঙাইনা নুংশিননা শান্তি লৈনা অমত্তা ওইবগী লীচিংনা পুনখি। গ্রীসতা চখুরল্বা মমাংঙৈগী ওলিম্পিক্তা ময়াম্না মান্নরগা অথিংবগী চৎনরোল কয়া লৈরম্মি। শরুক য়ারিবা পুম্নমক মনীং মখা তম্বা অশেংবা গ্রীক্কী ঈ ওইবা মচা অমা ওইগদবনি। মহাক মপুন্সিদা তৌরুবা মরাল লৈরবা অমদি ৱায়েলশং য়ৌরুরবা নুপা ওইবা য়ারমদে। ওলিম্পিক লোইশিল্লকপদা এলটিসকী প্রিটা নিয়মদা জয় ওইরবশিংনা মখোয়গী লুহুপ উপলগা অরোইবা বলিদান পীরম্মী। মতুংদা অচৌবা চাকলেন চামিন্নদুনা হৱাউ-কুম্মৈদু লোইশিল্লি। গ্রীকতগী ওইরম্বা ওলিম্পিক, অনৌ অনৌবা মশান্না কয়া হাপচিল্লক্তুনা পাকথোক্লকপদগী হৌজিক্তি পৃথিবীগী মনুংদা খ্বাইদগী পাম্নবা ওইরে।

**121.** পূক্লিংগী চাউখৎপদা নৎতনা হকচাং ফনা নাদ-য়েক্তনা লৈবা হায়বসিবু য়াম্না পামজবা জাতি অদু কনানো ?

(1) ইংলিসমেনশিং

(2) গ্রীকশিং

(3) ইন্দিয়ানশিং

(4) ইরাননিয়ানশিং

**122.** ওলিম্পিক অসি খৃষ্ট মমাঙ চহী চা কয়াদা মফম কদায়দা হৌখি হায়না ইতিহাসতা ফংবগে ?

(1) ৭৭০ দা ভারত্তা।

(2) ৭৭৫ দা ইংলণ্ডদা

(3) ৭৭৬ দা ওলিম্পিয়াদা

(4) ৭৭৭ তা জর্ম্মন্দা

**123.** জিউস লাইরেম্বগী মন্দির কদায়দা লৈবগে ?

(1) ওলিম্পিয়াদা লৈ।

(2) থেসাল্লি অমসু মেসিদোনিয়াদা লৈ।

(3) এন্তিকাদা লৈ।

(4) অষ্ট্রেলিয়াদা লৈ।

**124.** ইহান হানবা ওলিম্পিক গেমসকী হরাও-কুম্মৈ করিগীদমক পাঙথোকখিবনো ?

(1) গ্রীক্কী থৌনা ফরবা লন্মীশিংদা ইকায় খুম্নবা উৎপগী

(2) জিউস লাইরেম্বদা ইকায় খুম্নবা উৎপগী

(3) লৌশিংগী লাইরেম্বী এথেন্দা ইকায় খুম্নবা উৎপগী

(4) গ্রীক্কী নিংথৌদা ইকায় খুম্নবা উৎপগী

**125.** মচেৎ মচেৎ তারম্লবা গ্রীক্কী লৈবাক মচাশিংদু নুংঙাইনা অমত্তা ওইবগী লীচিংনা পুনখিবা ঙম্বসি.....

(1) লান শোক্লবগীনি।

(2) লৈবাক্কীদমক থৱায় থাদোকপদগীনি।

(3) লন-থুম মরাং কায়না লৈবদগীনি।

(4) ওলিম্পিক শান্নবনা লমজীং ওইবদগীনি।

**126.** গ্রীক্কী মচা অমা ওইবদগীনি।

ৱাহৈ পরেং অসিদা নাউন কয়া য়াওবগে ?

(1) অনি

(2) অহুম

(3) মরী

(4) মঙা

**127.** অচৌবা চাকলেন চামিন্নদুনা হরাউ কুম্মৈদু লোইশিল্লি। ৱাহৈ পরেং অসিদা য়াওরিবা -মিন- অসি করিনো ?

(1) কঞ্জংতিব মার্কর

(2) প্লুরেল মার্কর

(3) কেস মার্কর

(4) এসোসিয়েতিব মার্কর

**128.** পৃথিবীদা খ্বাইদগী চাউখৎলব্বা লৈবাকশিংগী মনুংদা __________ অমনি।

(1) অমেরিকাসু

(2) ভারতসু

(3) গ্রীসসু

(4) ফ্রান্সসু

মখাদা পীরিবা ৱারেং অসি মুন্না পারগা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী খ্বাইদগী চান্নবা

পাউখুম পীয়ু ৱাহং ঃ **(129-135)**

মীওইবগী শাগী লম থোকপদা খৎনৈ, লাইগী লম থোকপদা চান্নৈ। অদুনদি মীওইবনা ধর্ম্মগী খৎনরিবসিদি করিগীনো হায়বা য়াই। মদু ধর্ম্মগী দোষ নত্তে। ধর্ম্ম পুন্নমক্কী অফবা মরুদি অমহানি। অদুদা ধর্ম্মনা হিংসাদা চঙলক্লগা হায়বদি ধর্ম্মদুনা নমদুনা মীঙোন্দা লৌহন্নবা হোৎনরক্লবা অদুদদি হিংসা মশানা অদুম য়াওজরে, খৎনবসু মশানা অদুম তাজরে। ধর্ম্ম হায়বসিদি থাজবগী পোৎনি, হিংসা য়াওরবদি ধম্মদু ধর্ম্ম নৎত্রে। মমাংঙৈদা মী অমনা মী খরগা ইফোং ফোংনা মশাগী ওইজবা ফংনবগীদমক মীঙোন্দা হৌদুনা লান তৌবদা ইকায়নরমদে, অকনবা তৌবা ঙম্বদুম কৌনরম্মী। মীওইবনা তৌরিবা খল্লিবা পুন্নমক অসি মীগীদমক তমদুনা পুথোকলিবনি। অদুগুম্বা মরু ওইখ্রবা মী অদুগী পুন্সিবু মশানা লিজবসু নত্তনা খাঙুথক্তা লোইহনবা লাল হায়বসিবু খল্লুবদা মীনা ইকায়দবা ঙল্লোই। অদুবু অঙম অঙম্বা হাৎনবসিদি লালগী মশা মনুংদা য়াওরম্বা থৌদাংনি, মীওইবা পুন্নমক খজিক্তং আশা উরিবা হাইববু মীওইবনা ইকায়বসি খঙনরক্লে, ফত্তবসি উনরক্লে। মসিনা হৌজিক্কী মতমদদি জাতি অমনা ইফোং ফোংনা মীঙোন্দা হান্না হেক হৌদুনা লাল শোক্লবসি ঙম্নদ্রে। থাঙ্গৈশেংনমকসু লাল হায়বসি হান্না হৌরুদুনা লাল শোক্লবা হায়বসি জাতি অমগী মী অয়াম্বনদি পামজদবনি। জাতি অদুগী অঙম অথৌশিংনা নাপল অমসুং ওইজবা ফংনবগীদমক ময়ামবু মথ্বায়না য়ানিংদনা নমদুনা য়াওহনবনি। লাল অমগী নাকল অনিমক্তা লাল পামজদবনা অয়াম্বনি। লাল হায়বসি মীওইবগী মাঙনবা মশক অমনি। তাইবং মীওইবগী মায়দা মতম কুইনা পক্লক্লবা মায়হীং অমনি হায়না খন্নরক্লে। হেগ সহরদা ফম্বা অহানবা সভাদু মীওইবগী লাইগী শরুক্লা ইনশিনদুনা বুদ্ধি তারকপা অসিগী ইহান হানবা খোঞ্জেন্নি। মীওইবা হায়বসিনা ফৈ হায়না খঙলবসু থবক অয়াম্বা তৌবা ঙমদে, ফত্তে হায়না খঙলবসু তোকপা ঙমদে। মসিগী মরমদি মীওইবসি মতম অয়াম্বদা অফবা অচুম্বা খঙবা বুদ্ধিনা তাকপা মতুং ইন্না থবক তৌদে। ঙাইহাক্কী পুক্নিংগী ঈরাংগী মতুং ইন্না থবক তৌই। লাল তোকপা য়ানবা খুৎশু খুৎলায় ককথনবা জাতি অমগা অমগা নুংশিননা তিন্নবগী মরীদু শেম্নবা হায়দুনা কয়া তিন্নরে, কয়া খন্নরে, থবকসু খর মখৈ তৌরে অদুবু লাল তোক্লব্রা তোক্লক্লদৌরে হায়বা মওং অমা উরব্রা হায়বদি উদ্রি। হেন্নদুম শাথিবা লাঞ্জাওনা হৌজিক পৃথিবীসিবু মঙলাক্লবগুম শোর হোনফম খঙদনা লেঙবা লাকপা য়াদনা পাখৎহন্দুনা থম্মী।

**129.** জাতি অমগী অঙম অথৌশিংনা নাপল অমসুং ওইজবা ফংনবা লাল তৌবদা লাল য়াওরিবা মীওইশিং অদুগী মথ্বায়না য়ানিংনা য়াওহনখিবরা ?

(1) জাতিগীদমক খল্লগা য়াওখি।

(2) য়ানিংদনা য়াওখি।

(3) অঙম অথৌশিংনা হায়বদগী য়াওখি।

(4) পূক্লিং নাই নশিল্লকপদগী য়াওখি।

**130.** মীওইবগী বুদ্ধি তারকপা অসিগী ইহান হানবা শান্তি লাল্লবা লাল লেপ্পবগী অহানবা সভা অদু মফম কদাইদা ফমখিবগে ?

(1) ৱাশিংটন

(2) রোম

(3) হেগ

(4) পেরিশ

**131.** মীওইবনা ইকাইবসি খঙনরক্লে, ফত্তবসি উনরক্লে ৱাহৈ পরেং অসি-

(1) কম্পাউণ্ড সেন্তেন্সনি।

(2) কমপ্লেক্স সেন্তেন্সনি।

(3) ইন্টরোগেটিভ সেন্তেন্সনি।

(4) এক্সক্লেমেতরী সেন্তেন্সনি।

**132.** 'থাজবা' হায়বা ৱাহৈশিং …………

(1) এজজেক্টিভনি।

(2) কম্মন নাউননি।

(3) প্রোপর নাউননি।

(4) এবষ্ট্রেক নাউননি।

**133.** হৌজিক্কী মতমদদি জাতি অমনা ইফোং ফোংনা মীঙোন্দা হান্না হেক হৌদুনা লাল শোক্লবসি ঙম্লদ্রে।

ৱাহৈ পরেং অসিদা য়াওরিবা 'ইফোং ফোংনা' ৱাহৈ অসি

(1) নাউননি।

(2) এডজেক্টিভনি।

(3) এডভার্বনি।

(4) ভর্বেল নাউননি।

**134.** মীওইবনা অমগা অমগা লান তৌনদুনা খৎনরিবসি ধমর্মগী দোষ ওইবনরা ?

(1) চুন্মী।

(2) নত্তে।

(3) ওইবননি।

(4) ওইহল্লিবনি।

**135.** মীওইবনা খল্লিবা তৌরিবা পুন্নমকশি কনাগীদমক্তনো ?

(1) জাতিগীদমক্তনি।

(2) খুন্নাইগীদমক্তনি।

(3) থৱায় পানবশিংগীনি।

(4) মীওইবগীদমকনি।

**136.** ইন্নবা হোৎনবদা মখোয়শিংসিদগী করম্বা ইনগদগে ?

(1) ৱাহৈগী অককনবা

(2) লৈশি লৈথোনবা ৱাহৈ শিজিন্নবা

(3) পোজেসিভ প্রনাউন শিজিন্নবা

(4) ইগদবা ৱাখলশিং মথং-মনাও শেম্বা

**137.** ইবা হায়বসি _________ নি, _________ নত্তে।

(1) প্রোসেস, প্রদক্ত

(2) প্রদক্ত; প্রোসেস

(3) প্রোসেস; খুৎকী ঔরাইবা

(4) খুৎকী ঔরাইবা; প্রোসেস

**138.** মহৈরোইশিংগী ইবগী হৈশিংবা য়েংবা মতমদা ওজানা খ্বাইদগী মরুওইনা য়েংগদবসি-

(1) লৈশি লৈথোনবা ৱাহৈ শিজিন্নবনি।

(2) বনান চুম্না ইবনি।

(3) অচুম্বা ৱাহৈ পরেং শিজিন্নবনি।

(4) ৱাখল ফোংদোকপনি।

**139.** চাওরাক্লা পারগা ৱাখল খংদোকপা **(Pre-reading)** হায়বসি

(1) অরুবা ৱাহৈগী ৱাহন্থোক পিবনি।

(2) টেক্সতা শিজিন্নরিবা গ্রামারগী নিয়মশিং শুগাইনা তাকপনি।

(3) মহৈরোইশিংগী পাবা কয়াম খংলবগে য়েংবনি।

(4) টেক্সতুগী মতাংদা মহৈরোইশিংবু মখোয়গী হান্নগী লৌশিংদু তেকখৎহল্লগা শেম শাবিবনি।

**140.** ইন্দিয়াগী কন্সিট্যুসনগী নিপানশুবা সেদ্যুলদা লোন কয়া পনবগে ?

(1) ১৬

(2) ২০

(3) ২২

(4) ২৪

**141.** মহৈরোইশিংবু শকতম লাংহন্দুনা ফিভম খেনর্নবা মফমশিংগী **(different situations)** ৱারি-ৱাতাইশিং ওজানা মহৈরোইশিংদা তৌহনলি। অদুদগী মহাক্না মখোয়না লাংলিবা শকতমশিংদুদগী নিয়ম খরা তাকই অদুগা নিয়মশিংদু ঔলাইহনলি। মহাক্না তন্বীরিবসি-

(1) Prescriptive গ্রামারনি।

(2) গ্রামার তোঙান্না তন্বীবনি।

(3) গ্রামর context তা তন্বীবনি।

(4) দিদক্তিভ এপ্রোচনি।

**142.** লোনগী ওজা অমনা অঙাংশিংদা লোন তন্বীবগী মওংসি-

(1) ৱাহৈ খুদিংমক তন্বীবা অমসুং পারাদু হন্দোক্লগা হন্না পাবনি।

(2) অঙাংশিংবু চাং নাইনা চাংয়েং তৌরগা য়েংবনি।

(3) অঙাংশিংবু লাইরিক তৌবগী ইথিল হাপ্লবদা নত্তনা, জগোই / ঈশৈ / শান্নবা / য়েকপা-খোৎপগী ক্লাসশিংদসু শরুক য়াননবা ইথিল হাপ্পীগদবনি।

(4) মখল কয়াগী মহৈরোইশিংগী কান্নবগী মখল-মখা কয়াগী তন্বীবগী মওংশিং অমদি মখল কয়াগী চাংয়েং শিজিন্নৈ।

**143.** লোন তম্বদা ময়ামগা ৱারি-ৱাতাই শান্নবসি **(Social interaction)** মরু য়াম্না ওই। হায়রিবসিগা মরি লৈন্নরিবসি-

(1) চোমসকিগনি।

(2) পিয়াজেটগনি।

(3) ভিগোটসকিগনি।

(4) স্কিনরগনি।

**144.** ঙাংবগী হৈশিংবদা **(speaking skill)** মরু ওইরিবসি-

(1) অশেংবা চপ-চাবা উচারননি।

(2) লৈরিবা ফিভমদুগী মতুংইন্না ঙাংবনি।

(3) মেংনা ঙাংবদুনি।

(4) লৈশি লৈথোনবা ৱাহৈ শিজিন্নবনি।

**145.** অঙাং অমগী লোন তম্বদা লৈবা অকক্লবা অৱাবা খন্দোকপদা ওজানা মতেং পাংবা চাংয়েংসি।

(1) দিসক্রিট পোইন্ট টেষ্টনি।

(2) দাইগনেস্টিক টেষ্টনি।

(3) কম্যুনিকেটিভ টেষ্টনি।

(4) প্রোব্লেম খংদোক্লবা টেষ্টনি।

**146.** **"Portfolio"** গী মতাংদা মখাগীশিংসিদগী করম্বনা চুম্বগে ?

(1) ইবগী হৈনবী লৈহল্লি।

(2) মসিগী মরুওইবা পান্দমদি মহৈরোইশিংগী থবকশিং খোমজিনবা অদুগা চেকশিন্না থম্বনি।

(3) মসি ওজাগী মতম কনবা অমসুং মহৈরোইশিংসু থবক চিন্না থম্বা ওন্মী।

(4) মসিনা অঙাংনা তম্বগী খুমাং চাওশিল্লকপগী মওং য়েংবগী মতেং ওই।

**147.** ইন্টোনেসন খেৎনবসি-

(1) কয়াৎতনি (organ)।

(2) খোঞ্জেলদনি (sound) ।

(3) নুংশিত্তনি।

(4) অনেম-অৰাংনি (pitch)।

**148.** মেমচানা য়ুমদদি ৰা য়াম্না ঙাঙদে অদুবু স্কুলদদি ৰা য়াম্না ঙাংই। মসিনা তাক্লিবসি-

(1) মহাক্না ময়ুমসি সুকপাম পামদবগীনি।

(2) মহাক্কী ৰাখলসি স্কুলদা ফাওননবগীনি।

(3) স্কুলদদি অঙাংশিংনা ৰারি শাবগী খুদোং চাবা য়াম্না পি।

(4) ওজানা ক্লাসকী থকশি-খাসিদা কয়া য়েংশিন্দে।

**149.** লোল ঙাংবদা করম্বা মরম অনি মখাগীশিংসিদগী য়াওবগে ?

(1) ফজনা উচারোন শেংবা অমসুং য়াম্না পাবা

(2) ইথোকপা অমসু খুৎই ফজবা

(3) চপ চানা অমসুং ফজনা ঙাংবা

(4) চাওরাক্লা অমসুং হাইফেৎ য়েংবা

**150.** লোন তম্বদা লাইগদবসি -

(1) টেক্সবুকশিং তমদ্রবা

(2) পরিক্ষা তৌদ্রবা

(3) লোন তম্বগী খুদোংচাবা মফম ফংলগা

(4) ইবা হৌদ্রিঙৈদা গ্রামার ঔরাইবদা মতম য়ামনা পিবা

